**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07.04.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী ওইনদি হন্দক্কী মীখল অসি লান মনুংদা পাঙথোকপা মীখলনি, অদুনা মীয়ামগী অপাম্বা ইকায় খুমনা মীখল থেংনবা তাই।

২) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক সিনিয়র সিতিজেন্স অমদি দিসএবলশিংবু পোস্তেল বেলোটকী খুখাংদা ভোট থাদবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

৩) লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা নহা ওইরিবা অমদি সহরগী ভোতরশিংবু মপুংফানা শরুক য়াহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না সোসিয়েল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং অমদি কেম্পেন্নচিংবা হৌখ্রে।

৪) সার্ভিস অহুমগী অপুনবা মীফম পরিবরতন চিন্তন হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৫) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী হকশেল নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

------

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী ওইনদি হন্দক্কী মীখল অসি লান মনুংদা পাঙথোকপা মীখলনি। অদুনা মীয়ামগী অপাম্বা ইকায় খুমনা মীখল থেংনবা তাই।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা, মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা পাঙথোকপা য়ুব সমেলনদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীখল অসি করিগুম্বা হিরম অমদা য়ুম্ফম ওইরগা থেংনগদবনি। মহৌশাগুম কুম্ফে অমা ওইনা পাঙথোক্লোইদবনি। মহাকা হায়- মণিপুরগী হৌজিক লুরবা তানফম অসিদা পুমমকা অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে। লমদম অসিগী মৈরা পায়বী অমদি খুল ঙাক্লিবা মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ফিভম অসি থেংননবা হোৎনবদা মিদিয়াগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। মিদিয়াদা পাউ ফোংবা নত্রগা শন্দোকপা মতমদা য়ারিবা মখৈ কাংলুপ অমত্তদা অকায়বা থোক্লোইদবা মওংদা তুং মাং য়েংদুনা ফোংবা তঙাইফদে। মিদিয়া খরদা থৌদোক অমগী মতাংদা হিংশাগী থৌওংশিং হান্না উৎথোকপনচিংবা তৌদুনা মীয়ামদা মীপাইবা থোকহনবা য়াবা মওংদা পাউ শন্দোকপগী থৌওং অদুসু তৌবীদনবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

বি.জে.পিগী লুচিংবশিং অমদি দল অসিবু মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা দল অসিনা মীখলগীদমক ভোৎ খোম্বা করিগী কিগদৌরিবনো, করিগীদমক তুমিন্না লৈগদৌরিবনো হায়বনচিংবা ৱাহংশিং মশানা মশাদা হংজদুনা মদুগী পাউখুম অদুগী মতুংইন্না থবক তৌরকবসু মহাকা দলগী কারিয়াকার্তাশিংদা হায়খি। অচুম অরান খঙদনা মীনা ঙাংবা খক্তা লৌবগী মহুৎতা মশাগী ৱাখলনা অচুম চুমদা লেপথোকচনবসু মহাকা দল অসিগী মীওইশিংদা আপীল তৌখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মীওইশিংবু কন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগীসু সিমানাদা শম্বল খাবা, ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৌথোকপা, মপানদগী লাকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকপনচিংবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়- হিরম খুদিংমক্তা নহারোলশিংগী থৌদাং অসি য়ামা চাউই। লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী তঞ্জায় অমা হেনবদি নহারোলশিংনি। মখোয়বু মশা মউ ফনা, তিজং কাইজংদনা থল্লবতদা লৈবাক অসি শক্তি লৈবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি। লমদম অসিদা হৌজিক থেংনরিবা কাংলুপকী ইরাং অসি বি.জে.পিনা সরকার পায়রিঙৈ হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে হায়রদুনা মমাংদসু অসিগুম্বা কাংলুপকী ওইবা ইরাং অসি কয়ারক হন্না থোকখ্রে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌরমদুদা দলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবী অমদি অতৈ দলগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- কংগ্রেসনা ফোংখিবা মীখলগী মেনিফেষ্টো অদুবু কনাগুম্বা রাজনীতি দল খরনা লান্না আর্থ হন্দোক্কুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিমোলনা হায়- দল অসিগী মেনিফেষ্টোদা পল্লিবা ৱাফমদি- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি কাংলুপ খুদিংমকা পেন্নিংঙাই ওইবা মওংদা ৱারোইশিন পুরকবা রিকন্সিলিয়েসন কম্মিসন অমা শেমগনি হায়বনি। মসিদা পল্লিবা এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেট্টলমেন্ট হায়বা ৱাফম অসিনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীগনি হায়বা নত্তে। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা উংখৎনরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তা নিংথিনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকপা দল অসিনা পাম্মী। শান্তি থমবা অমদি অনৌবা মণিপুর অমা শেমবগীদমক্তা উংখৎনরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাউদোকদুনা নুংশি চান্নহনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদবা থবক অমনি।

মহেশ্বর (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা আর.পি.আই (অথৱালে)গী মীরেপ ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাউজমনা হায়রি- হৌজিক অসি অমনা অমবু

হুন্নদুনা ঙাংনবগী মতম নত্তে। থবক ওইনা পায়খৎতুনা লমদমসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ব্রারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবা মতম য়ৌরে।

শ্রী মহেশ্বরনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা চৎপগী খোঙচৎতা হায়-চিনদতমক ঙাংবা, অদুগা থবক ওইনদি পায়খৎতবদগী হৌজিক্কী ফিভম অসি ওইরকপনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা অরানবা পান্বে শিজিন্নরকপদা মদু থিংনবা হোৎননবসু মহাক্কী মীয়ামদা আপীল তৌখি। আর.পি.আই দল অসি কনাগুম্বা দল অমত্তগা চুংশিন্নবা লৈতে হায়না শেংদোক্লদুনা শ্রী মহেশ্বরনা হায়- কংগ্রেসনা সেন্তরদা পাল্লিঙৈদা দল অসিগা আর.পি.আইগা মতম শাংনা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনরম্মী। অদুগা এন.দি.এনা পানবা মতমদসু মহারাষ্ট্রগী খুখাংদা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনজরবসু দল অসি মরোমদোম লেপচবা দল অমনি।

ইলেক্সন(এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক সিনিয়র সিতিজেন্স নত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোস্তেল বেলোটকী খুথাংদা অহানবা রাউন্দগী ভোট থাদবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

অহানবা রাউন্দা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা অদুগা অনিসুবা রাউন্দদনা থা অসিগী ১৫ দা অসিগুম্বা ভোতরশিং ভোৎ থাদহনবগী থবক চখগনি। থা অসিগী ৯ অমসুং ১১ দি ছুতি লৈবনা মরম ওইদুনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা ভোৎ থাদহনবগী থবক লেপকনি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা অসিগুম্বা ভোতর পুন্না লিশিং ১,৬৭৯ লৈ। চেরোল অদুনা হায়- থবক অসিগীদমক পোল্লিং টিম ৩০ শেম্লে, মসিদা ওফিসিয়েল অনি, ভিদিওগ্রাফর অমা, মাইক্রো ওবজার্বর অমা অমসুং আর্ম সেক্যুরিতি পরসনেলশিংনা চহি ৮৫ গী মথক অমদি চাদা ৪০ গী মথক্তা দিসএবল ওইরবা ভোটরশিংগী য়ুম য়ুমদা চংদুনা পোস্তেল বেলোটকী খুথাংদা ভোৎ থাদহল্লি।

এমপিদিএফ (এল)ঃ  লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা ঐখোয়না লমদম অসিগী ৱাফম কয়া সংসদতা নিংথিনা পুথোকপা ঙমগদবা মতিং লৈবা, মতিক চাবা মীহুৎ থাগৎনবা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা হায়রি। ফ্রন্ট অসিগী চেরোল অমদা হায়- ওইজবা খরা ফংনবগীদমক ইশাগী হকপু য়োন্থোকপগী থৌওং তৌরোইদবনি।

মীখল ঃ  লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা নহা ওইরিবা অমদি সহরগী ভোতরশিংবু মপুংফানা শরুক য়াহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না সোসিয়েল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং অমদি কেম্পেন্নচিংবা হৌখ্রে। মীখলগী বোদি অসিনা টর্নিং আইতিন অমসুং  য়ু আর দ ৱানগুম্বা কেম্পেনশিংগী খুথাংদা পাউজেল কয়া পীরি। ই.সি.আইগী টর্নিং আইতিন কেম্পেনগী মপুংওইবা পান্দম অমদি লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা নহা ওইরিবা ভোতরশিংবু মপুংফানা শরুক য়াহন্নবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবনি। অদুগা য়ু আর দ ৱান হায়বা কেম্পেন অসিগী পান্দমনা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী মরুওইবা থৌদাংশিংবু খঙহনবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না শাশিন্নবা ঈ-পাউশিং অমসুং মীখলগী অরানবা ঈ-পাউশিংবু খঙদোকবা অখন্নবা কেম্পেন অমসু হৌখ্রে।

পিএম ঃ  বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারগী নৱারাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদমক মীয়ামগী মীতিনদা ভোৎ খোমখি। মীফম অদুদা বি.জে.পিগী লুচিংবশিং অমদি এন.দি.এদা য়াওরিবা অতৈ দলশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। মসি চয়োল অসিগী মনুংদা অনিরক সুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখিবনি। থা অসিগী ৪ দসু শ্রী মোদিনা জম্মুই কন্সটিট্যুন্সিদা লোক সভা মীখলদা এন.দি.এগী মীরেপ ওইরিবশিংগী ভোৎ খোমখি। নৱারা লোক সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিনা দলগী

মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডাঃ সি.পি. ঠাকুরগী মচানুপা ভিবেক ঠাকুরবু মীরেপ ওইনা থাগৎলি।

ইভিএম ঃ অরুনাচল প্রদেশকী লোক সভা অমদি রাজ্য বিধান সভা মীখলগীদমক রাজ্য অদুগা জিলা খুদিংমক্তা ঙরাংদগী ই.ভি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদশিং পীবা হৌখ্রে। রাজ্য অদুদা ইলেক্ট্রোনিক্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদকী ইঞ্জিনিয়ার ১৮০ রোম থুংখ্রে। ইলেক্সন কন্মিসন্না মীখলগীদমক হাপ্পা ওবজার্ভরশিংসু ই.ভি.এমশিং পীবা অদুদা শরুক য়াখি।

লোক সভা সিট অনি অমসুং রাজ্য বিধান সভাগী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ১৯ দা পুন্না থাদনগনি।

ত্রিপুরাদা লোক সভা মীখলদা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এমশিং ঙরাংদগী পীবা হৌখ্রে।

মীফম ঃ সার্ভিস অহুমগী অপুনবা মীফম পরিবরতন চিন্তন হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি। নোংমা চুপা চথুগদবা মীফম অসিদা দিফেন্স ষ্টাফকী মকোক-জেনেরেল অনিল চৌহান্না সভাপতি ওইগনি। মসি মিলিটরি এফ্যারস দিপার্টমেন্ট, হেদক্বাটরস ইন্তিরগ্রেতেদ দিফেন্স ষ্টাফ অমদি সার্ভিস অহুমগী মকোকশিংগী ইহান হানবা মীফমনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সেসনা ত্রাই সার্ভিস মল্টি দোমেন ওপরেসনশিং পাঙথোকপা ঙমবা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লান্নচিংবা থোরকপদা মায়োকনবা শেম শাবগা লোয়নননা চাউনা অওনবা পুরকবা হোৎনরি।

হেলথ ডে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়নননা লৈবাক অসিদসু ঙসি মালেমগী হকশেল নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে । ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি- ইশাগী হকশেল, ইশাগী আধিকারনা ওইগনি হায়না লাউথোকখি।

অকাশবানি নিউজগা ৱারী শান্নবদা এইমস নিউ দিল্লিগী প্রোফেসার ডাঃ রিমা দাদানা হায়- ঐখোয়না যোগগুম্বা হকচাং শাজেলশিং পাঙথোকপনা লায়না তিলনা কয়া ঙাকথোক্তুনা নুংঙাইবা পুন্সি অমা ফংবা ঙমগনি। ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না মসি লিংখৎখিবগী নুমিৎকা মরী লৈননা ১৯৫০ দগী হৌদুনা এপ্রিল ৭-ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মালেমগী হকশেল নুমিৎ হায়না পালন তৌদুনা লাক্লি ।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি লুপ কয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোংদা লৈবা মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্তরদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডাঃ আর.কে. লেনিন সিংহনা হায়- মীয়ামা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি। হকচাং ফনা লৈরবা মতমদা ৱাখলসু নুংঙাইনা লৈগনি। হৌজিক্কী মতমদা মী অয়াম্বনা থবক চিন্নরকপদগী হকচাং শাজেল তৌবগী চাং হন্থরক্লি হায়রদুনা হকচাং শাজেল তৌবগী কান্নবশিং নারবা মতমদা নিংশিংনগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌরমদুদা ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এল. তোমচা খুমনসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা সেন্তর অদুদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী হেলথ চ্যেকঅপসু তৌখি।

সেনিয়র সিতিজন সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙ্গে বজারদা লৈবা রাম স্কুলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সেনিয়র সিতিজন সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ ক্ষেত্রিমযুম কালানা হায়- কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিম ওইরিবা ইশাগী হকশেল, ইশাগী আধিকার হায়বসিনা ঐখোয় খুদিংমকা ইশা ইশানা হকচাং ফনা থমবা হোৎনজগদবনি হায়বদু তাকই। মহাকা হায়- পুন্সি শাংনা, লায়না তিলনা চেন্দনা নুংঙাইনা লৈনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমকা হকচাং ফনা থমবা হোৎনগদবনি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক ময়াং ইম্ফালগী উচিৱা লমহাং এরিয়াদা য়ুম অমদি ফার্মনচিংবদা থি হুন্বগী থবক চথবদা এস.বি.বি.এল নোংমৈ অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ট্যুব লোঞ্চর অনি, মরু য়াওবা কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরুনচিংবা কয়ামরুম ফারে। পোৎলমশিং অদু বেগ অমদা হাপ্লগা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বনি হায়রি।

চাকহাউ (এল)ঃ রাজ্য অসিনা লমদমসিগী ওইবা ওর্গানিক্কী পোখোক কয়ামরুম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি মীরমদা থাদোক্লি। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা হায়- ঙসি লমদমসিগী তোমথিল ওইরবা পোখোক অমা ওইরিবা চাকহাউ মেত্রিক টন মঙা কেরলাদা পুনবগীদমক লমথাখি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চাকহাউ মেত্রিক টন ১৫ অমগসু য়ুরোপতা থানবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

ফোতো (এল)ঃ ককচিং সব-ত্রেজরি ওফিসকী পেন্সনরশিংগী ফোতো কাপ্পগী থবক থা অসিগী ১২ দগী ১৬ ফাওবা চথরগনি হায়রি। পেন্সনরশিংনা মশাগী পেন্সন বুক পুরক্লগা ফোতো কাপ্পনবা দিষ্ট্রিক্ট পেন্সনরস এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা খঙহল্লি।

বোদি (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী সমরাম অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফম ফাওনফম লম্বীদা ঙসি অয়ুক নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওহ অদু হান্না ড্রগ শিজিন্নরম্বা মীওইনি হায়রি। মীশি অদুগী মতাংদা খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ঙসিদগী দি.এস.এ গ্রাউন্দ ককচিংদা হৌখ্রে। হৌদোকপগী মেটচতা ৱাই.ও.এস.সি খুরাইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ চহি ১৫ মখাগী নুপামচাশিংগী ৮ শুবা ইবোতোন মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজনগী ঙসি দি.এস.এ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লিগ রাউন্দদা- রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা য়ুথ ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হেন্দবোল (এল)ঃ মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংঙারেল তেজপুরদা লৈবা য়াইফ লমজিং কাংলুপকী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৪৫ শুবা সব-বোইজ অমসুং গার্লস ষ্টেট লেবেল হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দদা ও.ৱাই.ও কোংপালনা কে.ভি.দব্লিউ.এ ময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ১৮-১৭ তা থোইখ্রে। ৱাই.এল.কে. তেজপুরনা এস.এস.সি খুরাইবু পাঞ্জল ১৫-২ দা থোইখি।

পোলো (এল)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৯ শুবা ষ্টেট লেবেল ৱিমেন পোলো তুরনামেন্ট অমসুং ৭ শুবা জ্নিয়র বোইজ ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্ট ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী ইরোইশেম্বদা লৈবা পোলো গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা মদন পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ১২- ০ দা থোইখি। অদুগা নুপামচাগী মেটচতা মদন পোলো ক্লবনা অরবিন্দ পোলো ক্লব-বিবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখি।

ওকপা (এল)ঃ মমাং থাগী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা জম্মুদা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা সবজ্নিয়র নেসনেল ব্বুসু চেম্পিয়নসিপতা লুপা তকমান লৌরকপী হেন্থোই সনা য়েংখোমবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং পাজি লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মহাকা তাও লু সিঙ্গল গ্রুপ-সি- গুনশু কেটগোরিদা লুপাগী তকমান লৌরকখিবনি।

------